# শিবাঙ্গিনা ইন্দিয়ান নেভিগী অহানবা নুপী পাইলোট ওইরে



***কোচি, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
সব-লেফটেনেন্ট শিবাংগিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ান নেভিগী অহানবা নুপী পাইলোট ওইখ্রে। মহাক বিহারগী মুজাফরপুর সিটিদা পোকপনি।

কোচি নেভেল বেজদা মহাক্না ঙসি ওপরেসনেল দ্যটিজ জোইন্ট তৌখ্রে ইন্দিয়ান নেভিগী দোরনিয়র সর্ভেলেন্স এয়ারক্রাফ অদু মহাক্না পাইগনি।

আগষ্টতা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর এস ধামিনা ফ্লাইং য়ুনিট অমগী ফ্লাইট কম্মান্দর ওইদুনা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী ওফিসার ওইখি।

# মোদি, অমিত শাহবু ইনফিল্ট্রেটরনি হায়খিবগী লোক সভাদা ৱাথোক ওইখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহবু ইনফিল্ট্রেটরশিং হায়বা কোংগ্রেস লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিগী ৱাঙাং অদুগী মতাংদা ঙসি নিংথৌকাবদা লোক সভাদা ৱাহৈগী লান থোক্তুনা ৱাথোক ওইখ্রে।

কোংগ্রেসকী অধির রঞ্জন চৌধুরিনা ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা ষ্টীল মিনিষ্ট্রিগা মরীলৈনবা সপ্লিমেন্টরি ৱাহং অমা হংনবা হৌগৎলকপদা রুলিং এলায়েন্স মেম্বরশিংনা ইনফিল্ট্রেটর হায়বা ৱাহৈ কয়ারক হন্না লাওদুনা মহাকপু করম্নেনবা হোৎনখি।



মদুদা কোংগ্রেস লুচিংবা অদুনা খুদক্তা 'হোই, ঐহাক ইনফিল্ট্রেটর অমনি, মোদি ইনফিল্ট্রেটর অমনি, অমিত শাহ ইনফিল্ট্রেটর অমনি, এল কে অদবানি ইনফিল্ট্রেটর অমনি' হায়রদুনা পাউখুম পীনবা হোৎনখি।

য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম এন্দ ষ্টীল মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধাননা চৌধুরিগী দিজাইন থুনমক ফোঙদোক্লগনি পূন্নমক ফাক্তোক্লগনি, নহাক্কী দিফিনিসনশিং অদুদা লৈবাক অসিনা চৎলোই হায়রদুনা অমুক হন্না লাওশিনখি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা কোংগ্রেস লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা মোদি অমসুং শাহবু দিল্লিদা ইনফিল্ট্রেটরশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবা অদুনা মোদি অমসুং শাহগী ময়ুমশিং অদু গুজরাততা লৈবা মরম্না মখোয় মায়গ্রেন্টশিংনি, অদুবু হৌজিক দিল্লিদা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# 'খূৎ থিংজিনবা লেপ্পু' ঃ চিনানা হোং কোংদা য়ু এস মিলিটরি জহাজ অমসুং এয়ারক্রাফ চংলকপা থিংখ্রে

***বৈজিং, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
চাইনিজ টেরিটোরি হোং কোংদা য়ু এস মিলিটরি জহাজশিং অমসুং এয়ারক্রাফ চংলকপা য়াহল্লরোই হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা চিনানা হায়খ্রে অমসুং এক্সট্রিমিষ্ট, ভাইওলেন্ট অমসুং ক্রিমিনেলগী থৌওংশিং চখনবা প্রোটেষ্টরশিংদা পুক্নিং থৌগৎপগীদমক য়ু এস নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন কয়ামুক্কী মথক্তা সেঙ্কসনশিংসু লাওথোকখ্রে।



হোং কোংদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং শৌগৎতুনা হৌখিবা চয়োলদা য়ু এস লেজিসলেসন পাস তৌখিবা অদুগী পাউখুম পীদুনা চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা খোঙথাংশিং অসি লাওথোকখিবনি।

য়ু এস মিলিটরি ভিজিটশিংগীদমক হায়জরকপশিং মতম কক্তুনা সস্পেন্দ তৌরে অমসুং মসিগী মথক্তা মখা তাবা অহেনবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়নসু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ৱার্নিং তৌখি।

ঐখোয়না য়ু এসপু মখোয়গী অরানবশিং চুমথোক্নবা অমসুং ঐখোয়গী মনুংগী হিরমশিংদা খূৎ থিংজিনবা তোক্নবা আপিল তৌরি।

হোং কোংগী তংদু-লৈতাবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা ঙাক্তুনা থন্নবা অমসুং চিনাগী সোভরেন্টি ঙাক্নবগীদমক করিগুম্বা মথৌ তারবদি চিনানা মসিদগী অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্কনি হায়না বৈজিংদা নুমিৎ খুদিংগী পাংথোকপা চাওরাকপা পাউদম পীবা অমদা মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনুপী হুৱা চুনয়ীংনা হায়খি।

হোং কোংদা থোক্লিবা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং শৌগৎপা অমসুং সেঙ্কসনশিং তৌরক্লিঙাই ওইবগা লোয়ননা চিনাবু কিহনখিবা আইন 'হোং কোং হ্যুমেন রাইটস এন্দ দেমোক্রেসি এক্ট' অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা সহি তৌখিবগী মতুংদা চিনানা হৌখিবা চয়োলদা মদুগী মায়োক্তা চপ চাবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্কনি হায়নসু ৱাশকখিবনি।

হোং কোং প্রোটেষ্টরশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সনগী মতম খরা লেপ্লুবা অদু লোয়শিন্দুনা ষ্ট্রীটশিংদা অমুক থোক্লকখ্রে অমসুং প্রো-দেমোক্রেসি কেন্দিদেটশিংনা পাক্তক্লনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা কন্সেসনশিং পীনবা গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌখ্রে।

য়ু এসতা হেদক্কার্টর ওইবা এন জি ও কয়া বৈজিংনা সেঙ্কসন তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা নেসনেল এন্দোমেন্ট ফোর দেমোক্রেসি, নেসনেল দেমোক্রেটিক ইনষ্টিট্যুট ফোর ইন্টরনেসনেল এফিয়ারস, ইন্টরনেসনেল রিপব্লিকান ইনষ্টিট্যুট, হ্যুমেন রাইটস ৱাচ অমসুং ফ্রীদম হাউস য়াওরি।

হোং কোংগী চরাংনাবা থোক্লিবশিং অসিদা মখোয়গী থৌইনশিন খরা য়াওরি অমসুং মখোয়বু শেঙ্কসন তৌবা তাবনি অমসুং মমল অদু পীগদবনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনুপী অদুনা হায়খি।

# অযোধ্যা ৱায়েল রিভ্যু তৌনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকংখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
দাইটি রাম লাল্লাদা অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা লম ২.৭৭ একর অদু লোয়নমক পীখিবা সুপ্রিম কোর্টকী নবেম্বর ৯গী ৱায়েল অদু রিভ্যু তৌনবা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখ্রে।

ওরিজিনেল লিটিগেন্ট এম সিদ্দিককী লিগেল হিয়ার ওইরিবা মৌলানা সায়েদ অশাদ রাসিদিনা ৱায়েল অদু রেকোর্দতা লৈরিবগা অরানবা খরা য়াওরি অমসুং ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৩৭গী মখাদা রিভ্যু অমা মথৌ তাই হায়রদুনা রিভ্যু পেটিসন অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

রাসিদি অসি জামিয়াত উলেমা-ই-হিন্দগী প্রসিদেন্টনি। ৱাকৎ অদুদা রিভ্যু পিটিসনর অসিনা ৱায়েন পুম্নবু লোয়নমক শীংনবা নৎতে হায়বসি শোয়দনমক খঙবিগদবনি হায়খি।

# হায়দরবাদতা দোক্তর অমা রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবগী মায়োক্তা যন্তর-মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক পুম্নবু থম্মোয় শোকহনখিবা হায়দরবাদ ভেটেরিনরিয়ান অমা রেপ তৌখিবা অমসুং তমথিনা হাৎখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি দিল্লিগী যন্তর-মন্তরদা মীওই কয়ামরুম পূন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ঐখোয় অচুম্বা পাম্মি অমসুং রেপ তৌবশিং ফাঁসি তৌদুনা হাৎলু হায়বা প্লেকার্দশিং পায়বা মীওই ৪০-৫০রোমনা ষ্ট্রিটশিংদা থোক্লকখি। লৈঙাক্না চল্লাইবা হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবী নুপী অদু হায়দরাবাদ সিটিগী মতাই-লমদা লোরি ৱার্করশিং ওইবা মীওই ৪না রেপ তৌখি অমসুং হাৎখি। মহাক্কী মৈনা কাথেল্লবা হকচাং অদু শগোলশেল নুমিৎতা সিটি অসিগী সাদনগর মনাক্তা কলভার্ত অমগী মখাদগী ফংখি। মদুগী নোংঙানবদা চেন্নবশিং অদু ফাখি।

প্রোটেষ্ট অদুগী ওর্গনাইজর অমৃত ধৱননা হায়খি, ঐহাক্না প্রোটেষ্ট অসি পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা শিনবা নৎতে ঐখোয়গী খুনাই অসিদা থোক্লিবা নুংনাংবশিং অসিগীদমক সিভিল সোসাইটিগী মেম্বর অমা ওইনা শিনবনি। নুপীশিং হৌজিক কয়াম্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈবগে হায়বসি ঙাংনবগীদমক ঐখোয়না করি মরমগী অতোপ্পা নিরভয়া মথৌ তাগদৌরিবনো হায়না মহাক্না হংখি।

অৱাবা মায়োক্নদুনা লায়বক থিখ্রবশিংগী ইমুং-মনুংশিংনা থম্মোয়গী ঈং-তপ্পা খরদা ওইরবসু ফংনবা জুদিসিয়েল সিষ্টেমনা অথুবা অচুম্বা শোয়দনা পীনবা হোৎনগদবনি।

নিরভয়াগী রেপিষ্টশিং জেলদা হৌজিকসু লৈরি। ফাঁসি তৌখিদে। জেলদা লৈরিবশিং অদু মখোয়গী পুন্সি হিংলি, চিঞ্জাক ফংলি, নুংঙাইনা তুন্নি অদুবু মখোয়গী পুন্সি মতম পূন্নমক্কী ওইনা মাঙ-তাকখ্রবশিং অদুগী ইমুং-মনুংশিংগী মতাংদদি করি ওইরি হায়না মহাক্না হায়খি।

হায়দরবাদ ভিক্টিম অমসুং অসিগুম্বা ক্রাইমশিং মায়োক্নরিবা অতৈ নুপীশিংগীদমক ঐখোয়না প্লেকার্দশিং পায়রদুনা অচুম্বা দিমান্দ তৌরি। অমরোমদা নখোয়গী মীহাৎপশিং অদুনা নুংঙাইনা হিংলি। মসিদা ঐখোয়না জষ্টিস পাম্মি হায়বগী লাও-খোঙলি। মসি ঐখোয়গী ঈকাইনিঙাইনি।

খোল্লাওশিং লাওবদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী হন্সরাজ কলেজগী মহৈরোই অদিতি পুরোহিদ ৱাঙ্খি।

প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়াবসি মসিনা ঐগী অহানবনি। য়ুম থাদোক্তুনা দিল্লিদা লৈরিবী নুপী অমগা চপ মান্ননা ঐহাকসু মফম অসিদা লৈরি। ৱাথোক অসিনা ঐবু অমসুং ঐগী ইমুংবু শোকহল্লি হায়খি।

# টাপারিয়া টুলসকী গ্রিজ গন বেরেল লোঞ্চ তৌখ্রে

***ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***



টাপারিয়া টুলসনা ফজরবা নি-সি আর প্লেটেদ প্লঞ্জরশিং য়াওবা গ্রিজ গন বেরেল অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

গ্রিজ গন বেরেলশিং অসি ১.২ এম এম থাবা হায় ক্বালিটি ষ্টীল সিটশিংদগী শাবনি অমসুং গনগী মকোক অদু হেন্না কুইনা চংহন্নবগীদমক এলুমিনিয়ম দাই কাষ্টিং, কাষ্ট আইরনদগী শাবনি।

হায়রিবা মচাকশিং অসি পূন্সিন্নরগা খ্বাইদগী অরুবা লুব্রিকেসন এনভাইরোনমেন্টশিং ফাওবা শিজিন্নবা য়াই। গ্রিজ বেরেল গন অসি মতম য়াম্না কুইনা চংনবগী দিজাইনদা শাবনি।

দেলটা হেন্দল, জো মরীগী কোপ্পর য়াওবা ষ্টীল স্পাওতনা শিজিন্নরিবশিংবু চোকথবা শাথিনা ফহল্লি। পনবদা মতিক চাবা অতৈ ফিচরশিংদি তোঙান তোঙানবা গ্রিজিং মচিনগা লোয়নবা সোফিষ্টিকেটেদ হোস এক্সটেন্সন অমা পনব য়াই।

টাপারিয়ানা নৌনা পুথোক্লিবা টুল অসি মফম খুদিংমক্তা টেক্নিসিয়ানশিংগীদমক শোয়দনমক লৈতবা য়াদবা অমা থুনমক ওইরক্লগনি হায়রি।

# 'সাইক্লোনগীদমক সেন্টরদগী পৈশা ১গী মতেং ফংদ্রি'



***কোলকটা, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি হায়খ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাজবা পীখ্রবসু নোংলৈ নুংশিৎ 'বুলবুল'না শোকহনখ্রবা লমদমশিংগীদমক ষ্টেট অসিনা সেন্টরদগী শেলগী তেংবাং ওইনা সুপ্নগী পৈশা অমা ফাওবা ফংদ্রি। চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট এসেমব্লি ৱাহং-পাউহং মতমদা ৱা ঙাংখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সমুদ্রা তোর্ব্বান দিষ্ট্রিক্ট ৩দা সাইক্লোন বুলবুলনা থোকহনখিবা মাঙ-তাকপগী চাং অদুগী মতাংদা মহাক্না পাউখুম পীখি।

সাক্লোন 'বুলবুল'না কংফাল হেক য়ৌরকখিবগী মথঙগী নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা তেংবাং পীনবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তুইত তৌরকখি অদুবু মদু ওইদুনসু ঐখোয়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী ঙসি ফাওবা সুপ্নগী পৈশা অমা ফাওবা মতেং ফংদ্রি হায়না মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

মাঙ-তাকখিবা অদু কয়াম য়াম্বগে হায়বগী চাং অদু রিভ্যু তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট ৩ অদুবু য়েংলখিবা সেন্ট্রেল টিম অমদা লুপা ক্রোর ২৩,০০০ রোমগী শেনফমগী এষ্টিমেট অমা পীখি। অদুবু সেন্টরদগী ফন্দ অমত্তা ফংদ্রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা লৌউ-শিংউগী লম হেক্টর লাক্ষ ১৫ হেন্না মাঙ-তাকখি। নেচরেল কলামিটি অদুদা মীওই ১৫গী পূন্সি মাঙখি হায়না চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

লৌমীশিংদা মতেং পাংনবগীদমক ষ্টেট ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতগী লুপা ক্রোর ১,২০০গী শেনফম অমা থাদোকখি। মহৌশাগী মাঙ-তাকপা অদুদা য়াম্না শাথিনা মাঙজখ্রবা ক্বা মনা থাবা ফার্মর অমমমদা ষ্টেটনা লুপা ৫,০০০সু রিলিজ তৌখি হায়না মমতা বেনর্জিনা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখি।

# ঝরখন্দদা অহোংবা পুরক্কনি ঃ রাহুল গান্ধী

***সিমদেগা, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
ওপোজিসন কোলিসননা ঝরখন্দদা করিগুমবা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রকপা তারবদি ফার্ম লোনশিং কোকনি অমসুং ট্রাইবেল পোপুলেসন য়াম্বা ষ্টেট অসি অহোংবা পুরক্কনি হায়না ঙসি কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ৱাশক্তুনা ঙাংখ্রে।



হৌখিবা চহীদা মহাক্কী পার্টিনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়খিবা য়ুমথংনবদা লৈরিবা ছতিসগরগা চপমান্ননা ট্রাইবেল মীয়াম্না নমনা তারিবা ঝরখন্দবু ছতিসগরগা মান্ননা অহোংবা পুরক্কনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ষ্টেট অসিদা মহাক্কী অহানবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ছতিসগরদা লৈঙাক পায়রকপা চহী ১গী মনুংদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা অহোংবা শক্তম অমা পুরকখ্রে। বি জে পিগী লৈঙাক মতমদদি ট্রাইবেলশিংগী লম লৌথোক্লগা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংদা পীথোকখি হায়না মহাক্না হায়খি।

# রসিয়া-চিনা গ্যাস পাইপলাইনগী থবক হৌখ্রে



***মোস্কো, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
মালেমগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা গ্যাস এক্সপোর্টর ওইনবা মোস্কোগী থৌরাং চেংশিনহন্নবগী পান্দম থল্লিবা অচৌবা প্রোজেক ৩দগী অমা ওইনা এসিয়া অমসুং চিনা লৈবাক অনীসি শন্নবা অচৌবা গ্যাস পাইপলাইন অমা অহানবা ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

পাক চাওনা টেলিভাইজ তৌবা থৌরম অমদা ভিদিও লিঙ্ক-অপকী খূৎথাংদা রসিয়া লুচিংবা ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা প্রিসাইদিং তৌরদুনা 'পৱার ওফ সাইবেরিয়া' পাইপলাইন অদুবু তেংবাংনবগী শকখঙ-খুদম অমা ওইনা থাগৎখি।

ঙসি অসি গ্লোবেল ইনর্জি মার্কেট খক্তগী নত্তনা ঐখোয় পূন্নমক অমসুং নখোয়গীসু, রসিয়া অমসুং চিনাগীদমকসু অহানবা ওইবতা নত্তনা তশেংনবক ইতিহাসিক ওইরবা থৌরম অমসুং শীংথানিঙাই ওইরবা নুমিৎ অমনি হায়না ৱ্লাদিমির পুটিননা হায়খি।

চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনসু প্রোজেক্ট অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা তেংবাংনবগী মোদেল অমা ওইরগনি অমসুং সিনো-রসিয়ান মরী শেমগৎলকপা অসিবু ঐখোয়গী লৈবাক অনীমক্কীদমক ফোরেন পোলিসিগী মরুওইবা অমা ওইরগনি হায়খি।

রসিয়া-চিনা গ্যাস পাইপলাইন হৌবগী থৌরম অদুদা গ্যাস ৱার্করশিং থবক শুবা উৎখি। ভিদিওশিংনা নোংপোক থংবা সাইবেরিয়াগী অরাপ্পা লমদমশিং অদুদগী চিনাগী ঙমখৈদা লৈবা ব্লাগোভেসচেনস্ক ফাওবগী পাইপলাইন অদুগী খুদোঙথিরবা লম্বী উৎখি।

রসিয়ান গ্যাস জাইন্ট গাজপ্রোমগীদমক হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা কন্ট্রেকতা ২০১৪দা মসিগী দিভলপমেন্টকীদমক চহী ৩০গী ওইবা দোল্লর বিল্লিয় ৪০০০গী দিল অমা রসিয়া অমসুং চিনানা সহি তৌনখি।

লম্বী পরিং অদুগী টেম্পেরেচরশিং মাইনস দিগ্রী সেলসিয়স ৪০ অমসুং মাইনস দিগ্রী সেলসিয়স ৬০ য়ৌবা ফাওবা য়াওরি।

# পি এম অদেল অবদেল মহাদিগী ফম থাদোকপগী চেরোল ইরাককী পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রে



***বাঘাদাদ, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
ইরাককী লৈঙাক পায়রিবশিংবু মতিক চাদে, করপ ওই, মীরৈবাক্কী শক্তিশিংগী থৌইনশিন মখাদা লৈ হায়না মরান শীদুনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথবদা মীওই ২৪০ হেন্না শিখিবা অমসুং লিশিং কয়া শোকখিবগী থা ২গী প্রোটেষ্ট মতুংদা ইরাই নুমিৎতা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অবদেল মহাদিনা মহাক পার্লিয়ামেন্টতা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লগনি হায়খি। মহাক ফম থাদোকপগী ৱারোল অদু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রে।

দোমোনষ্ট্রেসনশিং অদু মখোয়গী হৌরকফম ময়োল বাঘদাদ অমসুং সিয়ানা অয়াম্বনা লৈবা খা থংবদগী সুনিনা অয়াম্বা লৈবা অৱাং থংবা সিটিদা শন্দোক্লকখ্রে।

অৱাং থংবা সিটি মোসুলদা প্রোটেষ্টকী খোঙজং অসিদা শিখ্রবা এক্টিভিষ্টশিং অদুগীদমক অমুবা ফিজোল শেৎপা মহৈরোই চা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ অমা শিনখি। ঙরাং নোংমাইজিংগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ফমখি অমসুং খুদক্তা মিনিট খরগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মহাদিগী রিজাইনেসন অয়াবা পীখি।

কনষ্টিট্যুসনগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর মহাদি অমসুং মাগী কেবিনেট অদুদা কিয়ারটেকর গভর্ণমেন্ট অমা ওইনা লৈহনখি।

পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা হাপ্নবা প্রসিদেন্ট বরহাম শালেহদা মাহাক্না হৌজিক হায়রগনি হায়খ্রে।

# ষ্টেটকী মীওইশিংগীদমক প্রাইভেট জোবতা চাদা ৮০গী কোতা পীগনি ঃ মহারাষ্ট্র গভর্ণর



***মুম্বাই, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
মহারাষ্ট্র গভর্ণর বি এস কোসিয়ারিনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা বিধান ভৱনদা ষ্টেট লেজিসলেচরগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা মহা বিকাশ অগাধি গভর্ণমেন্টনা থবক ফংদবগী মতাংদা নুংনাংই অমসুং ষ্টেট অসিগী মীওইশিংগীদমক প্রাইভেট সেক্টর জোবশিংদা চাদা ৮০ রিজার্বেসন থম্নবা লো অমা লৈঙাক অসিনা চৎনহল্লগনি হায়খ্রে।

লেজিসলেচরগী অপুনবা মীফম অদুদা গভর্ণরনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিগী লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা চত্থগদবা চাওরাকপা থবক-থৌওংশিং অদু ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা সিটিজনশিংদা লুপা ১০দা চাক্লেনশিং পীগনি অমসুং ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা সুপর-স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা শাগনি। ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিক ষ্টেটসকী অশেংবা মশক অমা থুনমক পুথোক্কনি। মতম চাদনা চুখিবা নোংনা মহৈমরোং মাঙখ্রবা লৌমীশিং তেংবাংনবা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না গভর্ণরনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ান আর্মিনা লোং-রেঞ্জ এন্টি-টেঙ্ক মিসাইল 'স্পাইক' মায় পাক্না চাংয়েঙ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ***
ইন্দিয়ান আর্মিনা নৌনা লৈখিবা 'স্পাইক এল আর' (লোং- রেঞ্জ) এন্টি-টেঙ্ক মিসাইল ২ মধ্য প্রদেশকী মহোদা লৈবা ইনফেন্ট্রি স্কুলদা কাপ্পুনা মায় পাক্না চাংয়েঙখ্রে।



চহীগী ওইবা ইনফেন্ট্রি কম্মান্দরস কনফরেন্সকীদমক ইন্দিয়ান আর্মিগী মকোক থোংবা পুন্নমক মফম অদুদা লৈবগা লোয়ননা মিসাইল চাংয়েঙখিবা অদু চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রাৱত য়াওনা মকোক থোংবা আর্মি ওফিসারশিংনা য়েংখি।

মিসাইল মখল অসি কিলোমিটর ৪ ফাওবগী অরাপ্পাদা লৈবা টার্গেট অদুবু য়াম্না মপা চুন্না পালহন্নবা ঙম্বা ৪শুবা জেনরেসনগী মিসাইল অমনি। ফয়ার এন্দ ফোরগেট কেপাবিলিটিগী মথক্তা মিসাইল অসিনা শিজিন্নরিবা মীওই অদুদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা থাফম অদু চপ চানা থাবা ঙম্নবগী শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াহন্দুনা ফয়ার, ওবজার্ব অমসুং অপদেট তৌবগী খুদোঙচাবসু লৈ। মসিদা নত্তনা করিগুম্বা কাপ্নবা মী অদুনা পাম্লবদি মিসাইল অদুনা পাইরিঙৈগী মরক্তা তোঙানবা টার্গেট অমদা মমায় লৈহনবসু ঙম্মি। অনেম্বা নৎত্রগা অৱাংবদগী কাপসু য়াই।

নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা কাপ্পদগী ফ্লেকসিবিলিটি পীবা ইনবিল্ট সীকর অমসু মিসাইল অসিদা য়াওই।

ইন্দিয়ান আর্মিনা ২০১১দা ফিল্ড ইভেল্যুয়েসন তৌবদা মিসাইল অসিগী কেপাবিলিটি চাদা ৯০ হেল্লি হায়না হান্না খঙখ্রবা অদুগী মথক্তা নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা কাপ্পা য়াবগী ফিভম অনী অসিনা মিসাইল অদুগী মগুন অমুক্কা হেন্না হেলহল্লি।

হাপচিনখিবা অমসুং ট্রেনিং তৌখিবগী মতুংদগী ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মীশিংনা মিসাইল কাপ্পা তম্বা অসি মসিনা অহানবনি।

হৌজিক ফাওবদা মালেমগী মফম কয়ামুক্তা স্পাইক মিসাইল ৫,০০০ হেন্না কাপখ্রে। মদুদা টার্গেটতা থাবগী চাং চাদা ৯৫ হেনখি।

মিসাইল অসি ইজরেলগী কম্পেনি রাফেল এদভান্স দিফেন্স সিষ্টেমসনা শাবা ফয়ার এন্দ ফোরগেট এন্টি-টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল অমসুং এন্টি-পার্সোনেল মিসাইলনি। ইন্দিয়ানা লৈদুনা শিজিন্নগদৌরিবা অমসুং কাপ্পুনা চাংয়েঙ পাংথোক্লিবা স্পাইক এল আর গী ইফেক্টিব ফয়ারিং রেঞ্জ অসি কিলোমিটর ৪ ফাওবনি।

ইন্দিয়ানা লানগী খূৎশু-খূৎলাই লৈনবগী অরুবা অমসুং শাংলবা প্রোসিদিওর চখবদা ক্বালিফাইদ ওইবদা স্পাইক মিসাইল অসি খক্তনি। মসি লৈননবগী নেগোসিয়েসন অদু ফাওবা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ২০১৬দা মপুং ফানা লোয়শিনখ্রে।

অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)গী ইন্দিজেনস দিভলপমেন্ট তৌবনা হেন্না পাম্বদগী মদু থবক ওইখিদ্রে।

মদুগী মতুংদগী দি আর দি ও দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা খূৎমাঙ চাওশিনবা খরা উরম্লবসু লানফমদা শিজিন্নগদবশিংগী খূৎতা য়ৌরকপদা মতম শাংনা চংগদবনা লানফমদা অৱাৎপা লৈগদবদু মেনখৎনবা ইন্দিয়ান আর্মিনা স্পাইক এল আর মিসাইলশিংগী অকক্লবা চাং অমা ইজরেলদগী লৈখিবনি।

লানগী খূৎশু-খূৎলাইগী মনুংদা স্পাইক মিসাইল থম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ৩৩ শুবা লৈবাক ওইরে।

## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 02/11/19
Valid : 17/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 02/11/19
Valid : 26/10/19
Sl. No. : 53623 to 5400
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Tanglei Gas Oinam**
Booking : 21/10/19
Valid : 20/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 23/09/19
Valid : 19/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 18/10/19
Valid : 13/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 14/10/19
Valid : 14/10/19
Sl. No. : 9071 to 9520
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 26/10/19
alid : 18/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 15/11/19
Valid : 07/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 05/11/19
Valid : 24/10/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 04/10/19
Valid : 27/09/19
Stk : 918
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas Service**
Booking : 22/10/19
Valid : 21/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 19/10/19
Valid : 17/10/19
Sl. No. : 200
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 17/10/19
Valid : 13/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khurkhul Indane**
Booking : 09/11/19
Valid : 06/11/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon

**Athokpam Indane**
Booking : 08/10/19
Valid : 02/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-319**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | 5 | | 1 | 3 | |
| 5 | 8 | | 1 | | | | 2 | |
| | 9 | 1 | | | 6 | | | 8 |
| 2 | | 8 | 6 | | | | | 1 |
| | | 3 | 2 | 8 | | | 6 | |
| 1 | | | 5 | 4 | 3 | | | |
| 8 | | | 9 | | 2 | | | 6 |
| | | 6 | | 1 | | 2 | | |
| | 1 | | 3 | | | 8 | | 5 |

**সনা-সুদোকু-৩১৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 7 | 8 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 9 | 1 | 7 | 4 |